# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-03-2025)**

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা মনিপুরগী লন্বী পুমমক্তা থা অসিগী ৮ দগী মীয়াম অয়েৎ-অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন য়াহন্নবা থবক লৌখৎনবা খঙহনখ্রে। লন্বী চৎথোক চৎশিনদা অয়েৎ-অপন পীরকপশিংগী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবসু পাউতাক পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা শ্রী অমিত সাহনা মীফম মপু ওইদুনা ঙরাং পাঙথোকখিবা মনিপুরগী ঙাকশেলগী ফিভম হন্না য়েংশিনবগী মীফমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লা অমদি সেক্যুরিতিগী মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-মনিপুরদা তুং কোইনা শান্তি পুরকবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অচেৎপা ফিরেপ অমগী মখাদা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎলি। মসিদা কেন্দ্র সরকারগী মায়কৈদগী পীবা য়াবা মতেংশিং পীখিগনি। রাজ্য অসিদা মীয়ামদগী নমদ্না শেল খায়বগী থৌওং অমা পাক শন্না চথুরক্লিবা অসি থিংননবা মখা তানা অকনবা থবকশিং লৌখৎনবসু শ্রী সাহনা পাউতাক পীখি। মসিগী মথক্তা ঙমখৈ শন্বল খাবগী থবক য়ারিবমখৈ থুনা লোয়শিন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাকা থাজবা থাজবা ফোংদোকখি।

মনিপুরবু দ্রগ ফ্রি ওইবা লমদম অমা ওইহন্নবা অমসুং দ্রগ লল্লোনবগা মরী লৈনবা থবক থৌরম খুদিংমক থিংননবা থবক লৌখৎনবসু গৃহ মন্ত্রিনা খঙহনখি।

**খুৎলায় (এল)ঃ** মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লকবা পায়খৎপা খোঙথাং অমা ওইনা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা খুৎশু খুৎলায়শিং পীখৎলকবা অনিরকশুবা ওইনা নুমিৎ তরেৎনিগী মতম থাখিবা অদুগী তুংদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা খুৎশু খুৎলায় পীখৎনরক্লি।

ঙরাং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী পুন্না নোংমৈ ৪২

অমসুং নোংমৈ মরু য়াওনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া পীশিন্নরকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশু খুৎলায়শিং পীশিন্নরকখি। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-থ্রি নোট থ্রি রাইফল, এস.এল.আর. অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টু এম.এমগী মরুশিং য়াওরি।

চুরচান্দপুর পুলিস ষ্টেসনদা পীখৎলকখিবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, সভেন পোহন্ট সিক্স টু এম.এম. নোংমৈ অমা, টুয়েল্ব বোর রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, পোম্পী অমা অমসুং কিলোগ্রাম অনি মখায় লুন্বা  আই.ই.দি. য়াওনা পোৎলম কয়া পীশিল্লকখি।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কম্মান্দোদা পীশিল্লকখিবশিংগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, ইনসাস রাইফল অনি, লেথোদ সেল অমা, থারতি সিক্স হেন্দ গ্রেনেদ অহুম য়াওরি।

ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইঙাংপোকপী পুলিস ষ্টেসন, পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন, তমেংলোং জিলাগী কাইমাই পুলিস ষ্টেসন অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী সি.দি.ওদসু নোংমৈ অমসুং খুৎশু খুৎলায় কয়া পীশিল্লকখি।

অমরোমদা, চিং অমসুং তম্পাক্কী মফম কয়াদা সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবুনা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সাইরেম খুলদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা মেগজিনগা লোয়ননা ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্স এল.এম.জি. অমা, এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল, এস.এল.আর. রাইফল অমা, থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা য়াওনা তোঙান তোঙানবা খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

**আর্মিং (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কান্তো শবল খুলদা ঙরাং ফি তুনবা মেছিন য়েন্থোকখ্রে। ইশানা ইরোমদোম লেপচবা ঙমবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবা পান্দমদা পায়খৎলকপা থৌরাংগী মখাদা লমদম অদুগী নুপীশিংদা মেছিনশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা খুল-খুলগী খুঞ্জাশিংনা ভারত লান্মীবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**এময়ু (এল)ঃ** এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভরসিতি (এ.আই.য়ু) না শিনদুনা উত্তর প্রদেসকী এমেতি য়ুনিভরসিতিদা থা হয়েংদগী হৌদুনা থা অসিগী তরেৎ ফাওবা চথুগদবা ৩৮ শুবা ইন্টর য়ুনিভরসিতি নেসনেল য়ুথ ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ানবগীদমক মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মীওই ৪১ না শাবা কাংবু অমা ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

ফেষ্টিবেল অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী মহৈরোইশিংনা ফোল্ক ট্রাইবেল দান্স, ইন্দিয়ান গ্রুপ সোং, ৱান এক্ট প্লেনচিংবা তোঙান তোঙানবা ইভেন্ট ৯ দা শরুক য়াগনি।

**ভিপি ঃ** উপ রাস্ত্রপতি-জগদিপ ধনকরনা কোরপোরেট লিদরশিংদা শিক্ষাগী লমদা মীৎয়েং চংদুনা হেন্না শেল থাদনবা হায়রি।

মুম্বাইগী কে.পি.বি. হিন্দুজা কলেজ ওফ কর্ম্মসকী চহি ৭৫ শুরকপগী পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ধনকরনা হায়-লৈবাক অসিগী অরীবা মমিং লৈরবা মহৈ তম্ফমশিং-ওদানপুরি, তকশাশিলা, বিক্রমসালা, সোমাপুরা, নলন্দা অমসুং ভাল্লভিনচিংবদা মতম অমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মহৈরোই কয়া লাক্তুনা মহৈ মশিং তম্লম্মী। মহাকা হায়-অসিগুম্বা অরীবা মতমগী ওইবা লৈবাক অসিগী মহৈ তম্ফমশিং অমুক নৌহৌননা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

উপ রাস্ত্রপতিনা লৈবাক অসিগী কোরপোরেট সেক্তরদা লৈরিবা মীওইশিংনা মহৈ মশিংগী লমদা শেল থাদদুনা হৌজিক অমসুং তুংদা লৈবাক অসিগী কান্নবা পুরকপদা শরুক য়ানবা হায়রি। মহৈ মশিংগী লমদা শেল থাদবা অসিনা লৈবাক অসিগী উদ্যোগ অমসুং লল্লোন ইতিক চাউখৎহনবদসু হেন্না

মতেং ওইরগনি।

**ছাতিসগর ঃ** ছাতিসগরগী সুকমা জিলাদা ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সকা খুৎ থোক বগী থৌদোক্তা মাওইষ্ট অনি শিরে। অককবা পাউ অমা ফংবদগী জিলা অদুগী কিস্তারাম এরিয়াদা দি.আর.জি. অমসুং সি.আর.পি.এফকী অপুনবা কাংব্ অমনা থিবা হুন্বগী থবক চঙ্খবদা খুৎ থোকবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

মফম অদুদা চংশিনবদা মাওইষ্টশিংনা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিং তমা লুমদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। মদুদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনসু হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা মাওইষ্ট অনি শিখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরগী মতাংদা ন্যু দিল্লিদা সেক্যুরিতি রিভিয়ু মীতিং পাঙথোকখিবা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম কয়াদগী খুৎশু খুৎলায় ফাগৎখিবা অমদি তম্পাক্কী মফম কয়াদা অহানবা লমতা থাংজগী শরোই খাঙবগী থৌরম পাঙথোকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-মার্চ ৮ ফাওবদা লম্বীশিং চৎপা য়াহন্নবা হোম মিনিস্তরনা মতম থাখ্রে। মনিপুরদা চংল্লকপা য়াবা মফমগী নাকল অনিগী ফেন্সিং অথুবদা লোয়শিন্নবসু, দ্রগ ফ্রি ষ্টেট ওইনবসু খঙহনখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

প্রসিদেন্ট রুলগী মতুংদা হোম মিনিস্তর অমিত সাহগী অহানবা য়াথং-খুৎলায়শিং লৌখৎলু, ইরাং লোয়শিল্লু, ইং-তপ্পা হনজিন্নবা হোৎনৌ-অমিত সাহ হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং, মনিপুর মেল, ঈচেল এক্সপ্রেস, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, হুইয়েন লানপাউদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরগী মতাংদা অমিত সাহনা সেক্যুরিতিগী মীতিং পাঙথোকখিবা অদুগী মতাংদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা ৱাহং কয়া হংল্লক্লি হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লুপা কোতি লিশিং ৪,৮০০ থাদুনা অসামগী ইনলেন্দ ৱাটরৱেস শেমগৎলগনি হায়বা পাউ অমা মনিপুর মেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

কোংবা মরূদা নোংমৈ কাপথরকখিবা চীংগী শরুকশিংদা সেক্যুরিতি থমজিনখ্রে। খুলগী লুচিংবশিংদা অকনবা ৱার্নিং তৌখ্রে হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন ওইরি।

অহেনবা খুৎলায়শিং মখা সরেন্দর তৌরক্লি, আইন কায়না শাজিনবা বঙ্কর কয়া মাঙহনখ্রে হায়বা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা মৈ মেগাৱাট ১৫০ দগীনা ২০০ ফাওবা মথৌ তাবদা মৈ মেগাৱাট ১৩৫ দমক ফংবা ঙমলি হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরদা চল্লাইরিবা প্রসিদেন্ট রুল শিংনরকপা কেসকী ৱায়েল মার্চ তরুক্তা হায় কোর্টতা চথুরগনি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

হন্দ্রেদ ডে টি.বি. ইলিমিনেসন কেম্পেইন হায়বসিদা নোংমগী মেদিয়া ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে। টি.বি. লায়নানা মালেমদা মিনিট অনি খুদিংগী মীওই অমমম শিহল্লি-চল্লো গোনমৈ হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসকী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।